# ইরেংবম কাংজৈবুঙগা নক্লনা লৈমিন্নরকপা ওইবনা অঙাং ওইরিঙৈদগী ঐহাক ফুটবোল শান্নবসি পামজরকখি



ঙাঙোম বালা
*(ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর)*

ইম্ফালগী মমিং লৈবা নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মনুংদা ঙাঙোম বালাসু থোইদোক্লা শিঙথাবা য়ারবা প্লেয়র অমনি। ফুটবোল মশান্নদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমখ্রবী ঙাঙোম বালা কুমজা ১৯৯০গী ফেব্রুৱারি ২দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ইরেংবম মমাং লৈকাইদা লৈবা ঙাঙোম মনিহার অমদি ঙাঙোম ওংবী মেম্মা দেবীগী মচা ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। বালাগী ইমুং মনুংসু শান্না-খোৎনবদা থৱায় য়াওরকপা, মবুং অনী অমদি মচেসু শান্নবা পাল্লকপা ঙাক্তা ওইরকপনা মহাকসু পীক্লিঙৈদগী শান্না-খোৎনবা পাল্লকখি।

করম্না ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইরকখিবগে হায়বগী মতাংদা ঙাঙোম বালানা অসুম্না পাউদম্লকখি, ঐনা খঙজরকপদা ঐখোয় খুন্দা য়াম্না পাম্না শান্নবা গেমসি ফুটবোলনি। ফুটবোলসি য়াম্না পোপুলর ওইনা, ইরেংবমগী কাংজেবুঙ হায়না খঙনবা মফমসিদা পুল্লব পুল্লব পুল্লগা শান্নবসি পীক্লিঙৈদগী উজরকখি। ইরেংবম কাংজৈবুঙসি ঐখোয় য়ুমগসু য়াম্না নক্লে। য়ুমগী ওইনসু ঐগী ইবুং অহল ঙাঙোম ওজিৎ সিংহ বোদি বিল্ডরনি। ইবুং অতোনবা রেগান মানা ফুটবোল্লরনি। উৎলৌ সাইদগা লৈরগা মাসু য়াম্না কন্না হোৎনজরম্বনি। অদুগা ঐগী চেচে নন্দিসু ফুটবোল শান্নরম্মী। ইচেগা ঐগসি ফাইবোকনি। হৌজিক্তী ময়ুম পানখ্রে, মচা অনী লৈখ্রে। অহানবদা ঐখোয় পুন্না খুঙ্গংদুদা হায়বদু পীক্লিঙৈদগী ওইরকখ্রে। নুপা মরক্তা য়াওদুনা লৈকাই লৈকাইদা শান্নবা সিক্স এ সাইদতসু অয়াম্বা মতমদা শান্নজরকখি। কুমজা ২০০০গী মতমসিদা ঐখোয় ইরেংবমগী ওইনা নুপী ফুটবোল টিম অমা শেমখি। ইরেংবম কলচরেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসন (আই সি এস এ) হায়না মীংথোনবা ক্লবসিদা ঐগী ইচে নন্দি, সনাথোই, গোদাধর, লাংলেন.... ঐখোয়সি ইহান হানবা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী টুর্নামেন্টতা শান্নবা হৌজরকখি। হায়রিবা মতমদু ঐহাক ইরেংবম হায়স্কুলদা ক্লাস ফাইভ তল্লে। পীশক পিক্লা ইবুংশিংগী মরক্তা ঐদি খরা থৱায় য়াওনা শান্নবসিসু লেপ্তুনা য়াওজরকখ্রে। অমরোমদা, য়াওশঙ স্পোর্টসতসু ঐদি চিথবা লৈতনা অদুম শরুক য়ারকখ্রে। তশেংনা, শান্ন-খোৎনবদা খরা হেন্না পামজবা মীশক



২০০১দা ইহান হানবা ওইনা অন্দর ১৪গী ষ্টেট লেভেলদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী শরুক য়াজরকখি। মতমদু অঙাং য়াম্না ওইরি। অদুবু পীক্লবসু শান্নবদি য়াওহনবীখি। মদুদা ঐহাক বেষ্ট প্লেয়রসু তাজরকখি। অদুগা ঐদি শান্নবা হেক হৌরকপদগী ষ্ট্রাইকর ওইনা লাকচখি। সেন্টর ষ্ট্রাইকর ওইনা হৌজরকপদুনা মথংদা এটেক্কিং মিদ ফিল্ডর অমুক শান্নজরকখি। হৌজিক্তী লিৎলিবা ফুরিৎতুগী মতুংইন্না ইশাগী পোজিসনসু মশক তাক্লে। অদুনা নম্বর ১০, নম্বর ৯ সি ঐগী ওইনা লিৎচরকখি। মালেমগী মমিং লৈবা ফুটবোল্লরশিংনা লিৎপা নম্বর ঙাক্তনিনা ঐখোয়সু নম্বরসি লিৎতুনা শান্নজবা মতমদা খরা ফজনা অদুম শান্নজনিংই।

কুমজা ২০০০/২০০১গী মতমসিদা ঐখোয়বু ইরেংবমদগী পুথোকপীরকখিবসি ইরেংবম য়ুগিন্দ্রো হায়বা ওজা অসিননি। ওজাসি ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী টিচরনি। হেন্না মশক থোক্লবা হোৎনবীরকখিবশিংনা ওইনাম শ্যামো, মমিং পঞ্জদ্রগসু কাকা ময়াম, ঐখোয় খুনগী ইবুং ইপ্পা ময়াম অমনা সপোর্ট তৌবীরগা ঐখোয়সি পুথোকপীরকখিবনি।

অদুগা ঐগী পুন্সি অহানবা মণিপুর ৱাংমদা চৎচখিবসিনা কুমজা ২০০১দা অসামদা তৌখিবা অন্দর ১৯গী নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদনি। অসামদা চৎপসি ওজা সোইবম একেন্দ্রনা লিদ তৌদুনা পুবিখি। য়াম্না অঙাং ওইনা ঐদি সিনিয়র মরক্তা য়াওদুনা শান্নজবসু ফংজরকখি। মদুগী চৎপদু ঐনা খ্বাইদগী য়ঙ্গেস প্লেয়রসু ওইখি। মণিপুর টিম্না ৱিন্নরসু লৌরকখি। নুপী ফুটবোলদদি ঐখোয়গী মমাংদা শান্নবীরম্বা ইচেশিংনসু রেকোর্দ ফজনা থম্বীরম্বনা ঙফি ফাওবদসু ঙাক্লা চৎপা ঙম্লি। পিশক পিক্লা য়াওজরবসু ওজাশিংনা তাকপী তম্বীবা কয়া ঐনা হেক হেক তৌথোরকপদা মখোয়না ঐবু য়াম্না থাগৎপীখি। ঐহাক্কী লাইবক ফবা অমনা ওজাশিংনা লুনা চান্না তৌবীবা প্লেয়র অমা ওইনসু ঐহাক হৌজরকখি।

... মথং মথং



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৯

১) করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা সরক্তা (Road) লমশাং থৌবা সাইকল লমজেন্দা রেলৱেজগী ক্রোশিং (Railway Crossing) তরুক হেন্না লাম্থোক্লা থৌহনখিবগে?

২) কুমজা ১৯০৫দা করম্বা টিম অনী লৈবাক মীয়াম খঙনা মুক্লা কাঙজৈ শান্নখিবগে।

৩) পোলো শান্নবদা মণিপুরিশিংনা শাগোল নাপু মচুবু করি হায়না খঙনবগে?

৪) মহাক্লা ওলিম্পিক্কী অহুমশুবা সনাগী মেদল হেক ফংবগী মেদল য়েন্থোকপা লোয়বগা মহাক্কী মপা অমসুং মমাগী মনাক্তা চঙশিল্লগা অসুম্না হায়, 'মসি অফবা থবক অমনি, মসিদা মেদল অহুম লৈরে' পাজি, অমনা নঙগীনি, ইমা নঙগীসু অমনি, ঐগীদমক অহুমশুবা অমা লৈরে'। নুপা অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিংঅদুদগী দ্রোওৎচরগালাইবকফবামীশকঅমাখনজগনি।লোয়ননাখল্লবামীশকঅদুদামনাপীজগনি।

# ইন্দিয়াগী কোনেরু হম্পিনা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড রেপিদ চেছ চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

মোস্কো, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

রসিয়াগী কোনুং মোস্কোদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড রেপিদ চেছ চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কেনেরু হম্পিনা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর লৈ তিংজিবু অর্মাগেদনদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।



চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা ইন্দিয়া থাদোক্লমদাইদা গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পিনা ফোঙদোকখিবদা রেপিদ অমসুং ব্লিটজ মশান্না অসি মহাক্কী ওইনা য়াম্না হৈনবা নত্তে। মহাক মশামক ক্লাসিকেল চেছ ফোর্মেটতা গ্রান্দ মাষ্টর য়ৌরকখিবনি হায়খি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড রেপিদ চেছ চেম্পিয়নশিপকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পিনা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর লৈ তিংজিগা লম্বা তৌনরকপদা অপীবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী রাউন্দশিং অদুদা পোইন্ট মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মায় পাকপা শান্নরোয় অদু খন্ননবগীদমক অর্মাগেদনদা কোনেরু হম্পিনা লৈ তিংজিবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা মতুং কোনেরু হম্পিনা ফোঙদোকখিবদা চেম্পিনয়নশিপ অদুদা মহাক টাইটল লৌগনি হায়বগা থাজবা লৈখিদে। অদুবু য়ামদ্রবদা মকোক থোংবা পোজিসন অহুম ফাওবগী মনুংদদি লৈগনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মহাক্লা রেপিদ চেছ ফোর্মেট মশান্না অদুদা মশাগী ক্লাসিকেল ফোর্মেট অদুদগী খরা থৈদোক্লগা ওপনিংদা অহেনবা প্রেসর থমদুনা শরুক য়াখিবনি।

মদুগী খুদোংচাবা অদুনা মায় পাকপগী লম্বেল ওইখিদুনা মশাগী চহী ৩২ শুরবী কোনেরু হম্পিনা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর লৈ তিংজিবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। টাইটল অদুগী মাংওইননা ৱর্ল্ড নম্বর ৩ থাক্তা লৈখ্রবী হম্পিনা চহী অসি মহাক্কী ওইনা য়াম্না ফজবা ওইরি হায়খি।

# মুম্বাই সিটি এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা আই এস এলগী টেবলদা ৪শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে

Match on 02 Jan. (Mon.) 2020

NE UNITED Vs JAMSHEDPUR



মুম্বাই, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি মুম্বাইদা শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ুম্বু মুম্বাই সিটি এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মুম্বাই সিটি এফ সিনা ৪শুবা থাক কনবা ঙমখ্রে।

আই এস এল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা চৎলিবা সিজন অসিগী ওইনা নৌনা শরুক য়ারকখিবা টিম অনীগী মনুংদা হায়দরবাদ এফ সিসু অমা ওইরিবনি। অতোপ্পা ক্লব অদুনা ওরিষা এফ সিনি। ঙসি মুম্বাই সিটিদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ১০ শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মুম্বাই সিটি অমসুং এফ সি হায়দরবাদ লম্বা তৌরকপনি।

মেচ অসিগী মাংওইননা মুম্বাই সিটি এফ সি রাউন্দ ৯ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ৪ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ২ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা হায়দরবাদ এফ সি মেচ ৯দা শুপ্নগী মেচ অমখক মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৬ মায়থীদুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৬শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগী দিএগোনা পীখিবা পাস অমদা এম সোগৌনা পাঞ্জল চন্দুনা হায়দরবাদ এফ সিবু ১-০দা মাংজিল থাখি। মখা তাবা হাফকী মতমদা পাঞ্জল অহেনবা লৈখিদে।

মেচকী ৭৮ শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটিগী সোঙৌনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখ্রবা মতুং ৮১ শুবা মিনটতা হায়দরবাদকী বোবোনা পাঞ্জল হন্দাকখ্রবসু ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মেচ অদু মুম্বাই সিটিনা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Goa | 10 | 6 | 3 | 1 | 22 | 12 | +10 | 21 |
| 2 | ATK | 10 | 5 | 3 | 2 | 19 | 9 | +10 | 18 |
| 3 | Bengaluru | 10 | 4 | 4 | 2 | 11 | 6 | +5 | 16 |
| 4 | Mumbai City | 10 | 4 | 4 | 2 | 17 | 17 | 0 | 16 |
| 5 | Jamshedpur | 10 | 3 | 4 | 3 | 13 | 13 | 0 | 13 |
| 6 | Odisha | 10 | 3 | 3 | 4 | 13 | 15 | −2 | 12 |
| 7 | NorthEast United | 9 | 2 | 5 | 2 | 9 | 12 | −3 | 11 |
| 8 | Chennaiyin | 9 | 2 | 3 | 4 | 11 | 16 | −5 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters | 10 | 1 | 5 | 4 | 10 | 14 | −4 | 8 |
| 10 | Hyderabad | 10 | 1 | 2 | 7 | 10 | 21 | −11 | 5 |

# ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিস কুমার অমসুং ছটিস কুমার টোকিও ওলিম্পিককী ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি

বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিস কুমার অমসুং লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা অতোপ্পা বোক্সর সটিস কুমার মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী বোক্সিং ক্বালিফায়িংগীদমক মফম কনবা ঙমখ্রে।





কিলোগ্রাম ৭৫গী কাংলুপ্তা অসিস কুমারনা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী নেসনল চেম্পিয়ন ওইরিবা অমদি সাউথ এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট অনকিত খতানাবু মায়থীবা পীদুনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারি ৩দগী ১৪ ফাওবা চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া/ওসিনিয়া জোন ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগীদমক্তা মফম কনবা ঙমখিবনি।

কিলোগ্রাম ৯১ মথক্কী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা মমাঙদা কমনৱেলথ অমসুং এসিয়ন গেমসকী মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সর সটিস কুমারনা নরেন্দরবু বেঙ্গালুরুদা পাঙথোকপা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা মায় পাক্তুনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগীদমক শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

অসিস অমসুং সটিসতা নত্তনা চাইনাগী ওলিম্পিক ক্বালিফাইয়িং টুর্নামেন্ট অদুগীদমক মফম কনবা ঙমখ্রবা অতোপ্পা বোক্সর অদুদি কিলোগ্রাম ৮১গী কাংলুপ্তা শরুক য়াখিবা সচিন কুমারনি। মহাক্লা ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা ব্রিজেস যাদবপু মায়থীবা পীখি।


বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং শরুক য়ানবগী ট্রায়ল সেলেক্সেন অদুদা কমনৱেলথ গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট বিকাস কৃষ্ণন ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা শোকপদগী মতম শাংনা কম্পিটিটিব টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখিবা অদু ঙসি ট্রায়ল অদুদা অসিস কুলহেরিয়াবু মায়থীবা পীদুনা হয়েং কিলোগ্রাম ৬৯গী কাংলুপ অদুদা সাউথ এসিয়ন গেমসকী চেম্পিয়ন দুর্যাধন নেগিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নেগিনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল বাউট অদুদা নবিন বুরাবু মায়থীবা পীখি। কিলোগ্রাম ৫৭কী কাংলুপ্তা কমনৱেলথ গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট গৌরব সোলানকিনা কবিন্দর সিংহ বিসপু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা হয়েং কমনৱেলথ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সর এম দি হুসামুদ্দিনগা থেংনরগনি।

# ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা অর্সেনলবু চেলসি ফুটবোল ক্লবনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মমাঙদা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা চেলসি ফুটবোল ক্লবনা অর্সেনল ফুটবোল ক্লবপু ঙসি অকনবা লম্বা অমদা পাঞ্জল অমদা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে।



ঙসিগী মেচ অদুগী মাংওইননা চেলসি ফুটবোল ক্লব মেচ ১৯ শান্নখিবদা ১০ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎলবা মতুং ৭ মায়থীদুনা পোইন্ট ৩২ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মরিশুবা থাক্তা অদুমক লৈবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা লীগ অসিগী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা অতোপ্পা ক্লব অর্সেনল মেচ ১৯ শান্নখিবদা মেচ ৫ মায় পাকখিবা, ৯ দ্রো চৎখিবা অমসুং মেচ ৫ মায়থীদুনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা পোইন্ট টেবলগী ১২ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

মেচ অদুগী হৌরকপদা চেলসি ফুটবোল ক্লবপু অর্সেনলনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা অর্সেনলগী মায়কৈদগী পিয়রে ইমেরিক ওবামেয়াংনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল অমা শোথখিবা চেলসিগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা পুংখাই অমা হেনবগী মতম অদুদা ইক্বেলাইর ফংবা ঙমদনা লৈখি। অদুগা অর্সেনলসু মখোয়গী পাঞ্জল অদু হেনগৎপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগী পুংখাই হেঞ্জিল্লবা ফাওবদা অর্সেনলগী পাঞ্জল অদু চেলসিনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা চেলসিগী মায়কৈদগী ৮৩ শুবা মিনটতা জোরগিনোনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা টিম অদুগী থৌনা নৌনা হাপখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা অহেনবা এটেক্টশিংগী মতেংনা অর্সেনলগী মায়কৈদা বোল নৈদুনা লৈখি। ৮৭ শুবা মিনটতা চেলসিগী টামি অব্রাহমনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-১দা থোইখি।

# য়ু এসকী নুপী টেন্নিস শান্নরোয় সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা এসোসিএটেদ প্রেস ফিমেল এথলিট ওফ দি দিকেদকী মনা ফংখ্রে

ন্যু য়োক, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

মালেমগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী অমা ওইরিবা দি এসোসিএসন প্রেসনা ঙরাং লাউথোকখিবদা হৌখিবা চহী ১০ (দিকেদ) অসিদা খ্বাইদগী ফজবা নুপী এথলিট খনবদা য়ু এস এগী মমিং লৈরবী টেন্নিস শান্নরোয় সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা ওইরে হায়খ্রে।





নুপী টেন্নিস শান্নরোয় সেরিনা ৱিল্লিয়মসনা মহাক্কী মচা পোকপগী মতমগী মাংওইননা হৌখিবা চহী ১০ অদুদা শান্নখিবা অমদি শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্টশিংদা য়াম্না ফজবা ঙমদুনা চহী ১০ অসিদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মীংথোল পীখি।

এসোসিএটেদ প্রেস (এ পি)কী মেম্বর ওইরিবা স্পোর্টস এডিটরশিং অমদি এসোসিএটেদ প্রেসকী মতম মতমগী ওইবা অইবশিংগী মরক্তা খোমগৎখিবা ভোট য়েংনবদা চহী অহুম মখাই হেন্না নুপীগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা নম্বর ১ ওইবা ঙমখ্রবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু দিকেদ অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ফিমেল এথলিটনি হায়না মমিং লাউথোকখিবনি।

এসোসিএটেদ প্রেসকী মায়কৈদগী নুপাগী এথলিটকী মনা অদুনা ঙসি অথেংবদা লাউথোক্কদৌরি। নুপীগী ওইনা য়ু এস এগী জিমনাষ্ট কুমজা ২০১৯দা এ পি এথলিট ওফ দি এয়র তাখ্রবী সাইমোন বাইলস দিকেদকী ওইনা সেরেনা ৱিল্লিয়মসকী মথংদা অনীশুবা থাক্তা লৈখি। সেরেননা এ পিগী চহীগী মনা অদু ২০০২, ২০০৯, ২০১৩, ২০১৫ অমসুং ২০১৮দা মনা ফংখ্রবনি।